# কুমজা ২০২৪দা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা মেদল অমা লৌরকপা ঙম্নবা হনবা লৈতনা হোৎনগনি: খরিবম বিচু

**শান্নবুংগী পাউদম-১৫**
**জয়চান্দ লুৱাং**



শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরক্লিবা মীওইশিংনা ওলেম্পিক্সকী থাক্তা শান্নদুনা ওলেম্পিয়ন অমা ওইবা হায়বসি পান্দম ওইনা থম্লিরিবনি। ঐগী ওইনসু হোকি মশান্নদা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্নবগীদমক কুমজা ২০২৪দা পেরিসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক গেমসতা মেদল অমা লৌরকপা ঙম্নবগীদমক নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনগনি হায়না হোকি মশান্নদা গোলকিপ্পর ওইনা মমিং লৈরবী লমদম অসিদগী হৌখিবী কেঐচ বিচুনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলোরগী মাইসো রোদতা লৈবা সাই সেন্টরদা কেম্প তৌদুনা লৈরিবী নুপী শান্নরোয় অসিগা পাউচে অসিগা অখন্নগা টেলিফোনগী খূথাংদা শান্নখিবা ৱারী অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, পূক্লিং চঙনা অমদি ওইগে খল্লিবা মীশক অদু ওইনবগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনরবদি শোয়দনমক্কী মায় পাকপা ঙমগনি। মহাক ঙসি নেসনলগী থাক্তা হোকি মশান্না অসিদা লমদম অসিগী মীয়ামখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না চহী নৌরিবী গোলকিপর ওইনা শকখঙবীরক্লি।

অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক হোকি মশান্না অসি খোইদারকখিদে। মহাক্না পামজবদি ফূটবোলনি। অদুম ওইনমক, ফুটবোলদা মহাক শান্নবা ফংখিদ্রবসু হোকি মশান্না অসিদা শান্নবা হৌরকখি। হোকি শান্নবা হৌরকপা মতমদসু মহাক কিপর ওইরক্কনি হায়বা থাজরুদে, ওইবসু পামখিদে। অদুবু মহাক্কী মীওই মীতৌ ৱাং-চাওবা অদু উরগা মহাক্না শান্নমিন্নরিবশিং অমদি তাকপী-তন্বীরিবশিংনা কিপর ওইনবা হায়রকখি। মতম অদু ফাওবদা মহাক কিপর ওইবা পামখিদে। মহাক্না পামজবদি ফোরৱার্দ শান্নবনি। অদুবু মতমগী অওনবা মতুং ইন্না মহাক গোল কিপর ওইরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১১-১২দা ইম্ফালগী সাই সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ফূটবোল ত্রাইএলদা মহাক য়াওবা ফংখিদ্রবা



মতুং মতমদুদা সাই সেন্টরনা আর দি ওইনা লৈরম্বা ওজা মাইকেলনা হোকিগী ত্রাইএল য়াওশিন্নবা খঙহল্লকখিবনি। মদুনা মহাক্কী হোকিদা অহানবা চঙলক্লবগী লম্বী ওইখি।

তপ্পা তপ্পা শান্নরকখিবনা কুমজা ২০১৫দা রাঞ্চিদা নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা সব-জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক শরুক য়াখি। মতমদুদা মহাক্না শরুক য়ারিবা টিম অদুগী কোচ ওইখিবা নেপোলিয়ন রোইনা হোৎনদুনা চহী অদুমক্কী জুলাই থাদা এম পি একাদেমি গ্বালিয়রদা কিপর অমা ওইনা শান্নবা হৌরকখি। কিপর অমা ওইনা শান্নরকখ্রবা মতুং মহাক্না পামদা ওইরকখিবা গোলকিপরগী মগুণ তপ্পা তপ্পা খঙবা হৌরকখি। মহাক্না ঙসি ফাওবা হোৎনরকখিবা অসিদা অমদি হৌজিক্কী থাক অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা শিংজমৈদগী ওজা রোমেশ অমসুং লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী ওজা চান্দি অনীনা অচৌবা মতেং পীবিরকখি। হৌজিকসু মহাক্কী ৱাখল্লোন্দা চমম্নবা অমা লৈরকপা মতমদা ওজা অনী অসিদা তান্নফম ওইরি হায়না গোলকিপর বিচুনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, বিচু থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা চরাংপাৎ মনিং লৈকায়দগী কেঐচ রোমেন অমসুং কেঐচ ওংবী ইবেম্মগী মচানুপীনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী অপোকপা রোমেননা থৌনা কয়া পীবিখিবা অদুনা নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনরকখিবনি। অদুম ওইনমক, ইমুং-মনুংগী ফিভম কা-হেন্না ফরক্তবনা মরম ওইরগা হোকি শান্নবা হোৎনরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকখি। মহাক্না ফুটবোল শান্নরিঙৈ মতমদা মহাক্কী অপোকপা য়াম্না কন্না নারকপদগী লায়েংনবা হোৎনবদা লৈজরম্বা লৌফম ফাওবা য়োম্ব্রোকখি। মতমদুদা মহাক্কী অপোকপীনা ৱাজখিবা অদু ঙসিফাওবা কাউদ্রি। মহাক্কী মমা মপাবু অমুক্তংদি নুঙাইনা থমগে হায়বসি মহাক্কী পান্দম অমা ওইরি। অমরোমদা থাংজিল্লুরবা খোঙথাংনি খন্দুনা মায় পাক্লবসু হোৎনদুনা লাক্লি। মহাক্না শান্নমিন্নরিবশিংনা নোংমদা পূং মঙা প্রাক্টিস তৌবা মতমদা মদুদগী পূংখায় অমত্তা ওইরবসু হেন্না প্রাক্টিস তৌনবা হোৎনরি।

হনবা লৈতনা হোৎনরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসিদি বিচুনা লমদম অসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা মেটচ কয়াদা ইন্দিয়াগী মিংচৎ কয়ারক পুরকপা ঙমখ্রে। নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মহাক অমদি মহাক্কী টিমনা মেদল কয়া পুরক্তুনা লমদম অসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মমিং মালেমদা খঙহল্লি। বিচুনা নেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারকখিবা অমদি মেদল লৌরকখিবা টুর্নামেন্ট খরা পল্লবদা কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা অখিল ভারতিয়া প্রাইজেমনি ৱিমেন হোকি টুর্নামেন্ট ঝানজি (সিলভর), কুমজা ২০১৬তা দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা নেহরু জুনিয়র নেসনল চেম্পিয়নশিপ (সিলভর), কুমজা ২০১৭তা গুজরাটতা পাঙথোকখিবা অহানবা খেলো ইন্দিয়া নেসনল চেম্পিয়নশিপ (গোল্ড) অমদি চহী অদুমক্তদা ভোপালদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ (গোল্ড) মমিং পনবা য়াই। অদুগা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মহাক্না শরুক য়ারুবা অমদি মেদল লৌরকখিবশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৮দা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফায়র (সিলভর), চহী অদুমক্তদা বেলজিয়মদা পাঙথোকখিবা ৬শুবা নেসনল ইনভাইটেসনল টুর্নামেন্ট (সিলভর), আর্জেন্টিনাদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা য়ুথ ওলেম্পিক গেমস ব্যুনোস আইরেস (সিলভর), কুমজা ২০১৯দা আইরলেন্দদা পাঙথোকখিবা কেন্টো ফিটজগেরাল্ড য়ু-২১ ইন্টরনেসনল ফোর নেসন্স টুর্নামেন্ট (গোল্ড) অমদি চহী অদুমক্তদা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেনবেরাদা পাঙথোকখিবা থ্রী নেসন টুর্নামেন্ট (গোল্ড) পনবা য়াই।

# প্রসিদেন্ট রাম নাথনা ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট ওকখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দনা ঙসি ন্যু দেল্লীদা লৈবা রাষ্ট্রপটি ভবনদা পাঙথোকখিবা 'হাই টি' থৌরমদা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অদুবু উনদুনা ৱারী-ৱাতায় শাখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগীদমক্তা মিংচৎ পুরকপগীদমক পূম্নমক্না মখোয়গীদমক্তা চাওথোকচনিংঙাই ফাওই হায়খি। মরুওইনা লৈবাক অসিগী মমোমশিং অসিগীদমক্তা হেন্না চাওথোকচনিংঙাই ওই হায়খি। মখোয়না উৎখিবা থৌনাশিং অদুনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মনুং অসিদা হরাউবা ফোঙদোকফমগী অচৌবা মফম অমা পীরি। করিগুম্বা মতম অমদা মায় পাকপা য়াওগনি। অদুগা করিগুম্বদনা মায়থীবা হায়বসি শান্নবদা শরুক য়ারকপা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা থেংনগদবা ওইরবনি। য়াওরিবা খূদিংগী অনৌবা পারা অমমম্সু শোয়দনা তম্বা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী ওইনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা সিলভর মেদল অদু নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৯গী ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা ফংখিবনি। মহাক্না একাউন্ট হাংদোকখ্রবা মতুং অতোপ্পা নুপীগী এথলিট বেদমিন্টন শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা সিঙ্গলসকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুং নুপী বোক্সর লোভলিনা বোর্গোহেননা কিলোগ্রাম ৬৯গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা চহী ৪১গী মতুংদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখি। রেষ্টলিংগী মায়কৈদা রবি কুমার দহিয়ানা কিলোগ্রাম ৫৭তা সিলভর লৌখিবনি। অদুগা বজ্রং পুনিয়ানা কিলোগ্রাম ৬৫দা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। লোয়ননা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখিবা ইভেন্টশিংগী অরোইবা ওইনা নিরজ চোপ্রানা নুপাগী জেভলিন থ্রোদা গোল্ড মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী ওলিম্পিক পুৱারীদা অহানবা ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী গোল্ড মেদল ফংখি।

নাকল অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনসু ঙসি শরুক য়াখিবা সপোর্ট ষ্টাফশিং য়াওনা ওলিম্পিয়নশিং অদুগা অপূনবা কন্টিঞ্জেন্ট ২৪০ অদু য়াওনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম অদুদসু স্পেসল গেষ্ট ওইনা কৌরি। প্রাইম মিনিষ্টরনা এথলিটশিং অদুবু মশামক্না উনদুনা ৱারী-ৱাতায় শাগদৌরি। টোকিও ওলিম্পিক গেমস ২০২০দা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ৪ ফংলকপা অসি ইন্দিয়াগী ওইবা ওলিম্পিক পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্বা মেদল মশীং ফংবা ঙম্বা ওলিম্পিক ওইরি। কুমজা ২০১৬কী ওইনা ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকপা রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা পূন্না মেদল ৬ ফংবা ঙমখিবনি। মদুগী রেকোর্দ অদু টোকিওদা ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অদুনা থুগায়দুনা পূন্না মেদল ৭ লৌবা ঙম্লকখিবনি।

# মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ পাঙথোকপা হৌনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ানা চহী ৭৫শুবা ইন্দিপেন্দন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা লৈবাক শীনবা থুংনা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অসিগী মাংওইননা মণিপুরগী মফম কয়াদসু শেম শাবা হৌনখ্রে।

ঙসি দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপটিনা নেহরু য়ুব কেন্দ্র সেনাপটিগা খূৎশম্নদুনা মফম অদুগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা থৌরম পাঙথোকখ্রে। মফম অদুগী দি সী মহেশ চৌধরিনা মীপূম খূদিংমক স্পোর্টস নৎত্রগা এদ্যুকেসনগী লম্দা পান্দম অমা থমদুনা হোৎনগদবনি হায়খি। পূন্না নহা ১৪৬না ঙসি অয়ূক মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতগী এ দিসী কমপ্লেক্স ফাওবা রন অদু চেনখি।

মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা সী আর পি এফকী ৬৯শুবা বট্টালিয়নদা অজাদি কা অমৃত মাহোৎসবকী থৌরমগা মরী লৈননা ফিট ইন্দিয়া ফ্রীদম রন ২.০ ঙরাংদগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ কম্মান্দেন্ট এ কে সুক্লানা লমথাদুনা ওফিসর অমদি জৱান ২০০ রোম্না শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।

চান্দেলদা লৈবা নেহরু য়ুব কেন্দ্রনা দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমদি ৱাইসক্রেবসকা খূৎশম্নদুনা ঙসি অয়ূক হকচাং ফনা লৈবা অমসুং হকশেলগী লম্দা মায় ওনশিনবগী পাউজেল পীদুনা নহা ৮৬ য়াওনা থৌরম অদু পাঙথোকখি। চান্দেলগী দি সী রাজ কুমার ময়াংলম্বমনা জাফৌ বজারদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্স ফাওবা লমজেল অদু থাখি। নেহরু য়ুব কেন্দ্রগী দিষ্ট্রিক্ত য়ুথ ওফিসর রামেশন মোনসাং, অস্ফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জয় অমসুং দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালগী এম এস টি ঐচ জয়সনসু য়াওখি।

# ৱর্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী কেদেট টিমগী নুপা অমসুং নুপীনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে



রোক্লো, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): পোলেন্দগী সিটি রোক্লোদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কেদেট নুপা অমসুং নুপীগী টিমনা কম্পাউন্দ ইভেন্ট অনীমক টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কম্পাউন্দ টিমনা ফাইনেলদা য়ু এস এগী টিমবু য়াম্না নক্না স্কোরদা ২৩৩-২৩১দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। নুপীগী টিমদনা টর্কিবু পোইন্ট ২২৮-২১৬তা থোইদুনা মখোয়সু চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। নুপাগী টিম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী আর্চরশিং অদুদি কুশল, সাহিল চৌধরি অমসুং মিহির নিটিন অপারনি। অমরোমদা, নুপীগী কেদেটকী কম্পাউন্দ টিম অদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনখিবা আর্চরশিং অদুদি প্রিয়া গুর্জর, পরনিট কোর অমসুং রিধু সেন্থিলকুমারনি। মখোয়না ফাইনেলদা টর্কিবু য়াম্না হেন্না ফজবা ঙমদুনা পোইন্ট ২২৮-২১৬তা থোইবা ঙমখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুগী মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী প্রিয়া গুজর অমসুং কুশল দলালনা ফাইনেলদা য়ু এস এগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট ১৫৫-১৫২দা থোইদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

ইন্দিভিজ্যুএলগী ওইনা কেদেট ৱিমেন্সকী টিম অমসুং মিক্সতা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখ্রবী প্রিয়া গুজরনা ফাইনেলদা মেক্সিকোগী সেলিন রোদ্রিগেজকা লম্বা তৌনরকপদা শুপ্নগী পোইন্ট ৩ খক শোথরগা পোইন্ট ১৩৬-১৩৯দা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা আর্চর পরনিট কোরনা ব্রোঞ্জ মেদলগী লম্বাদা গ্রেট বৃটেনগী হেলি বোলটোনগা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ১৪০-১৩৫দা মায় পাক্তুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী য়ুঠ আর্চরি টিম অসিনা ৱর্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়নশিপতা খ্বাইদগী ফজখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু কুমজা ২০০৬তা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুনি। মদুদা টিম অদুনা গোল্ড মেদল ১ য়াওনা পূন্না মেদল ৫ ফংখি।

পোলেন্দগী রোক্লোদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড য়ুঠ আর্চরি চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পাউন্দগী ইভেন্টশিংদা প্রিয়া গুর্জরনা নুপীগী গোল্ড, মিক্স টিমদসু গোল্ড মেদল অদুগা ইন্দিভিজ্যুএলদা সিলভর ফংদুনা ৱর্ল্ড য়ুঠ ইভেন্টতা মেদল অহুম ফংবা ঙম্বা অহানবা আর্চর ওইবা ঙল্লি। চথরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী য়ুঠ আর্চরি টিম অসিনা হয়েং পাঙথোক্কদবা রিকর্ব ইভেন্টকী মেদল রাউন্দশিংসু শরুক য়াগদৌরি।

# মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে, অর্সনেল মায়থীহৌরে, বেয়র্ন ম্যুনিক দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী): য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী ওইবা মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্টশিং হৌখিবগা লোয়ননা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে, অর্সনেল মায়থীহৌরে, অদুগা বুন্দেসলিগাগী ওইনা বেয়র্ন ম্যুনিক দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি অঙনবদা শান্নবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগগী মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ূম্বু ওইরগা লীদ য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনবদা ব্রুনো ফর্নান্দেজকী হেটট্রিককী মতেংনা টিম অদুনা মেটচ অদু ৫-১দা থোইবা ঙমখি।

অতোপ্পা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অমদা অর্সনেল ব্রেন্টফোর্দকী মখূৎতা ০-২দা মায়থীবা নংখি। ব্রেন্টফোর্দকী মায়কৈদগী সর্জি কানোস অমদি খৃষ্টিয়ন নোরগার্দনা পাঞ্জল অমমম্ চনখি।

জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগাগী ওইনা টাইটল কয়ারক লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাককা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অঙনবা শরুক্তা বোরুসিয়াগী মায়কৈদগী অলাসান প্লিয়েনা ১০শুবা মিনটতা চনখিবনি। অদুগা অহানবা হাফ লোইরমদাইদা বেয়র্ন ম্যুনিক্তা শরুক য়ারিবা পোলেন্দ মচা রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা ১-১দা দ্রো চৎখি।

স্পেনগী লালিগাগী মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়ানা গেটাফেবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। পাঞ্জল অদু কার্লোস সোলরনা চনখিবনি। অদুগা সেরি এগী ওইনা মোনোকো লোরিএন্টকী মখূৎতা ০-১দা মায়থীহৌখি।

# চহী ১২ মখাদগীনা ২৫ মখা ফাওবগী ফুটবোলগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): রাজস্থানগী জয়পুর সিটিদা সেপ্টেম্বর ১৭তগীনা ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ষ্টুদেন্ট ওলিম্পিক নেসনল গেমসকী ৭শুবা এদিসনদা শরুক য়ানবগীদমক্তা মণিপুরগী চহী ১২ মখা, ১৪ মখা, ১৭ মখা, ১৯ মখা, ২২ মখা অমসুং ২৫ মখাগী কেটেগোরিশিংগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর ষ্টুদেন্টস ওলিম্পিক এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চরাংপাৎতা লৈবা আর ৱাই দি ওদা থা অসিগী ২১ অমসুং ২২দা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু পাঙথোক্কনি হায়রি। কেটেগোরি ৬কী মনুং চনবা শান্নরোয়শিংনা নুমীৎ অসিগী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা লাক্তুনা ট্রায়ল সেলেক্সন য়াওবা য়ারগনি হায়রি।

# ফিটনেস টেষ্টতা মণিপুরদগী ২ য়াওরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকাটাদা লৈবা য়ুব ভারতি ক্রিয়াঙ্গন ষ্টেদিয়মদা ওগষ্ট ৩১দা পাঙথোক্কদৌরিবা রেফরি অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফরিগী ফিটনেস টেষ্টতা মণিপুরদগী অনী শরুক য়ারুরগনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

শরুক য়াগদৌরিবশিং অদুদি রেফরিগী ওইনা টি রঞ্জিতা অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফরিগী ওইনা সাপম কেনেদিনি। মখোয়না কোলকাটাদা লৈবা হোটেল লেমন ট্রি প্রেমিয়রদা ওগষ্ট ৩০দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# ওলিম্পিয়ন ওকপগী মাঙওইননা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম শীৎ শেংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২১দা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ম্যেন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী ওলিম্পিয়ন মঙা ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক শেম শাবা ওইনা ঙসি য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরগী দিরেক্টর ওইরিবা টি ফুলেন মীতৈগী মীৎয়েং মখাদা খুমন লম্পাক্কী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অদু শীৎ শেংখ্রে। দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী আর সী সী ষ্টাফশিংনা শীৎ শেংবগী থবকশিং অদুদা শরুক য়াখি। মদুদা কোচেস এসোসিএসনগী মীওইশিং, আর সী সীগী জুদোকাশিংগা লোয়ননা ট্রেনিং এন্দ কোচিংগী দেপ্যুটি দিরেক্টর টি থৌবসু য়াওখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 201**

**IM Murzin, Volodar (2502) - GM Artemiev, Vladislav (2704)**
**FIDE World Cup 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.17**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.f3 Qb6 4.Nc3 dxe4
5.Nxe4 Bf5 6.Ng3 Bg6 7.f4 e6 8.Nf3 Nf6
9.c3 c5 10.d5 Nbd7 11.dxe6 fxe6 12.Bc4 O-O-O
13.Qe2 Bd6 14.O-O Rhe8 15.Ne5 Qc7 16.Re1 Kb8
17.a4 a6 18.a5 Nd5 19.Nxd7+ Rxd7 20.Nh5 Nxf4
21.Nxf4 Bxf4 22.Bxf4 Qxf4 23.Rad1 Rxd1 24.Rxd1 Qc7
25.b4 cxb4 26.cxb4 Rd8 27.Rxd8+ Qxd8 28.Qe5+ Qc7
29.Qxe6 Qf4 30.Qd5 Qc1+ 31.Kf2 Qb2+ 32.Kg3 Qc3+
33.Kf2 Qf6+ 34.Kg3 Be8 35.Qf3 Qg5+ 36.Qg4 Qe3+
37.Kh4 Ka7 38.Qxg7 Qf4+ 39.Qg4 Qxh2+ 40.Kg5 Qe5+
41.Qf5 h6+ 42.Kg4...

**QUESTION :**
**Black to Win or Draw**

**Puzzle 200 Ans. :**
36. ...Nd5 37.Qe6+ Kh8 38.Ne8
38. Qh6+ Kg8
38. ...Qd8 39.Qh6+ Kg8 40.Rg4+
40. e6 Rxe8 41. Rg4+ Qg5 42.Rxg5+
42. Qxg5+
40. Qg6+ Kh8 41.Qh6+ Kg8
40. ...Kf7 41.Nd6+ Ke7 42.Rg7+ Rf7 43.Rxf7# Arabian mate

HHG Academy
ꯍꯍꯒ ꯑꯀꯥꯗꯦꯃꯤ
Sangaiprou , Ghari Mamang Leikai (Affiliation to COHSEM)
Limited Seat
ADMISSION OPEN CLASS XI Science 2021-22
LAST DATE: 12 August 21
Achievement: Striking 100% pass, many letter mark holders in the year 2018, 19, 20 and 2021.
FACILITIES:
i) No monthly tuition fee & Lowest course fee in the state.
ii) Reservation for children of single parent and marginalized family.
iii) Free school uniform + free school bag + free text book + free exercise book.
iv) Separate Hostel for Boys and Girls.
For offline admission : School office with SOP For online admission : www.hhgacademy.com
Contact number: 9862445909 (Sir Nelson) / 9774571821 (Sir Jotin) / 9774269528 (Sir Ratan) / 6009861409 (Sir N I)
HL-B/7062/13-20

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### কর্ফিয়ু কোমথোকপদগী মীয়াম নুংঙাইহৌরবসু য়্যু কে রোদ লমশাং মায়কৈগী মীয়ামদি নুংঙাইবা ফংদ্রে



লৈঙাক্না কর্ফিয়ু কোমথোকপদগী মীচম মীয়াম লমজাও থোকপা নুংঙাইবা ফংজরবসু উরিপোক কাংচুপ রোদকী লমশাং মায়কৈগী মীয়ামদি নুংঙাইবা ফংদে হায়বা য়াই। লমশাং বজারদগী ইম্ফালগী শামু মখোঙ ফাওবা চাউরাক্না কিলোমিটর ৬/৭ মুক্কী অশাংবা লম্বীনি। বজার ফাওবদং মথৌ তাবগী চৎপদা কোইথোক্লগা পাৎশোই তারগা ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা অয়াম্বনা চৎনৈ। মরমদি লম্বী মতেক অসিদা লৈরিবা বেরিকেদ খাবা পুলিস চ্যেক পোইন্ট মরি লৈরিবসি ফাওরগা চৎপা তনবদগীনি। অহানবদা লমশাং পুলিস চ্যেক পোইন্ট, অনীশুবদা ইরোইশেম্বা চীংজিল চ্যেক পোইন্ট, অহুমশুবদা নাওরেমথোং বজার চ্যেক পোইন্ট অদুগা মরিশুবদা কান্টিন লৈরক চ্যেক পোইন্ট অসিনি। চ্যেক পোইন্টশিং অসিদা অয়ূক নুংথিলদা থোক্লক্তুনা অচৎ-অওকশিং খাল্লগা কদায়দা চৎকদৌরিবনো। করি লমদগীনো, করি থবক তৌই হংবগা লোয়ননা গাড়ীগী চে-চাং অমসুং শক্তাকচে পুথোকহন্দুনা মোবাইল ফোননা ফোটো লৌহৌরগা থাদোরক্কনি। অসুম তৌনা মীওইশিংনা ময়ূমদা হল্লকপা মতমদসু লাকখিবা মতমদা নংখিবা অৱাবদু অমুক্কা চপ মান্নবা মায়োক্নে। কর্ফিয়ু কোমথোক্লকপদা ঙাইহাক হাংচিৎ লাংবা ওইনা থোকচরুবা মীয়াম অৱাবা নংবনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা চৎনিংবা ফাওনদে। মরম অদুনা লৈঙাক্না থম্বীরিবা চ্যেক পোইন্টশিং অসিদা মীয়াম্বু অৱাবা পীদনবা হোৎনহনবীয়ু।

❒ এল ইবোমচা, তাওথোং

### লায়না অমনা নারক্লবসু হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা কোভিদ ওইরমগদ্রা হায়দোক্লবা কিনরে



২০২০দা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকপদগী লোক খুলাই হায়বা লায়না অসি মাঙখিবগুম তৌরে। অয়াম্বা মতমদা অঙৈং-অশা ওন্নরকপা, নোংজ থা লাকপা মতমদা লোক খুলাই হায়বা লায়না অসি অয়াম্বনা মীপূম খূদিংমক্তা থোক্লবগুম অমদি মীওই অয়াম্বদা লৌনবগুম তৌবা লাইচৎ অমনি। অদুমকপু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি লাকপদগী হান্না লৈজরম্বা লায়না লোক খুলাই হায়বা ৱাহৈ অসি ফাওবা হৌজিক্তি মুৎখিবগুম তৌরে। মসিদা অঙকপা ৱাখল অমা হায়জরগদি হৌজিক্কাল করিগুম্বা মীওই অমনা মশা নুংঙাইতবা, নারক-য়েক্লবা মতমদা হায়দোকপা ঙমদবা, কিবা ফাওবা অমদি অদুমক লৈরে। মরমদি মীওই অমা নারক-য়েল্লকপা মতমদা কৈরোই লৈকায়না নাকোং অনী শুরকপা মতমদা কোভিদ-১৯না নাবা ওইরমগনি হায়না পাউথোকপীবা হায়বসি অনৌবা ৱারী অমা ওইদ্রবনি। মরম অসিনসু কোভিদনা নারক-য়েক্কলবা ফাওবা হায়দোকপা ঙমদবনা লায়েংবা চৎপগী মহুত্তা মীয়ামগী মীনোক-মৈশা কিবদগীনি হায়গদ্রা অদুমক থেংনরিবা ঙাক্তনি। অমরোমদা, ৱাফমশিং অসিনা মরম ওইরগা ইশা হেক নুংঙাইরক্তবা মতমদা হোস্পিটালদা চৎপগী মহুত্তা ফার্মাসিদগী হীদাক লৈরগা চানবগী চৎনবী অসি অসুম অসুম মখা তানা তৌনরি। কোভিদ-১৯ অসিগী চপ চাবা সিম্পটোম শুনা লৈতবা অনাবশিংদি কোভিদ-১৯দগী নারে হায়না লৌবা অসিদি লানগদ্রা হায়না খঞ্জে। লোক খুলাই হায়বা লায়না অসি মাঙখিবগুম কোভিদ অসিসু মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নদুনা মাঙখিনবা হোৎনমিন্নসি। মতম শাংনা কোভিদ লাইচৎ অসি লৈবা তারবদি ঙসি মীয়াম্না ৱানরিবা অসিগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না অৱাবা হায়বদু ওইরক্কনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

❒ রেকি মাইব্রাম, মোইরাং বজার

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com